# আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা, পার্সোন্নেল ৩৫,০০০দা প্রাইম মিনিষ্টরগী মতিকচাবা ঈকাইখুন্নবা উৎপনি ঃ অমিত শাহ

***অহমেদাবাদ, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

আর্টিকল ৩৭০ মুখৎখিবা অদু জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেরোরিজম থেংনবদা মখোয়গী পূন্সি কখোকখ্রবা জৱান ৩৫,০০০ রোমদা পীবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী খ্বাইদগী মতিকচাবা ঈকাইখুন্নবা অমনি হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা হায়খ্রে।



রেপীদ এক্সন ফোর্স (আর এ এফ)কী ২৭ শুবা রাইজিং ডেদা অহমেদাবদতা পাংথোকপা ফোর্স অসিগী পেরেদ অমা য়েঙশিল্লবা তুংদা অমিত শাহনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং অদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা তুংকোইবা শান্তি পুরক্লগনি অমসুং লমদম অসিবু চাওখৎপগী মায়কৈদা চংশিনবা ঙমহল্লগনি। ঐহাক্না থাজে, মদুদি আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ মুখৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাশ্মিরদা লৈবাক্কীদমক মথৱাই কখোকখ্রবা জৱান ৩৫,০০০দা খ্বাইদগী মতিকচাবা ঈকাইখুন্নবদু উৎখ্রে।

হান্না লৈরম্বা ফিভম অদু চহী অসুক য়াম্বা মতম অসিদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ঐখোয়গী জৱানশিংনা মখোয়গী পূন্সি মাঙলকখিবগী ফিভম অদুনি। ফিভম অসি চহী ৭০রোম লৈরমখিবনি। অদুবু কনাগুম্বা অমত্তনা ফিভম অদু চুমথোক্লবা পূক্নিং চংশিন্নবগী থৌনা ফাওবা লৈখিদে হায়না মহাক্না হায়খি।

কাশ্মির অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ামদা ঐহাক্না থাজবা পীবা পাম্মি, মদুদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা চাওখৎপগী লম্বীরোমদা খোঙ থাংজিল্লক্লগনি। ঐখোয়গী ফোর্সশিংনা কাশ্মিরদা শান্তি থুগাইনবা হোৎনরকপশিং অদু শেন্নগনি। খোঙথাং অসিনা তুংকোইবা শান্তি পুরক্কনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা অহমেদাবাদকী বসত্রাল এরিয়াদা লৈবা আর এ এফকী ১০০শুবা বাটালিয়নদা ফোর্স অসিগী ২৭শুবা রাইজিং ডে থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখি।

পার্সোন্নেল লাক্ষ ৩.২৫ হেনবনা শাবা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা পেরামিলিটরি ফোর্স ওইরিবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ)কী স্পিসিয়েলাইজ এন্টি–রাইওৎ অমসুং ক্রাউদ কন্ট্রোল য়ুনিটি অমনি আর এ এফ হায়রিবসি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা কাউন্টর–টেরোরিজম ওপরেসনশিংদা অমসুং ষ্টেট কয়ামরুমদা এন্টি–নক্সাল ওপরেসনশিংদা থৌনা ফবা উৎখিবগীদমক হোম মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা খরা য়াওনা সি আর পি এফ পার্সোন্নেলদা গেলন্ট্রি মেদল ২০সু পীখি।

সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীবা আর্টিকল ৩৭০গী প্রোভিজনশিং মুখৎখিবা অদুগী মতুংদা কাশ্মির রিজনদা দিপ্লোই তৌবদা সি আর পি এফনা মকোক থোংবা ফোর্স অমনি। মফম অদুদা কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিং পাংথোক্লবগীদমক অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগী মথৌ তৌদুনা হৌজিক লৌজিক সি আর পি এফকী পার্সোন্নেল লাক্ষ ১.৫ লোম লৈ।

আর এ এফকী রাইজিং ডে অসি ১৯৯২দা মসি ওপরেসন ওইরকখিবা ওক্টোবর ৭দনি অদুবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী অতোপ্পা অরুবা থবক খরা লৈবদগী ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা মতম হোংদোক্তুনা থৌরম অসি পাংথোকখিবনি।

লৈবাকসিগী তোঙান –তোঙানবা সিটিশিংদা ফোর্স অসিগী বাটালিয়ন ১৫ লৈ অমসুং য়ুনিট অমমদা পার্সোন্নেল ১,০০০হেন্না লৈ।

## রাম লীলাগী এক্টর ষ্টেজদা মফিদা মৈ চাক্লকপদগী হোস্পিটাল য়ৌখ্রে

***মুজাফরনগর, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

মুজাফরনগরগী রামপুরি এরিয়দা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা রাম লীলা অমা শান্নবদা নহা অমা মহাক্কী মফিদা মৈ চাক্লকখিবদগী অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা হোস্পিটাল য়ৌখ্রে।

রামায়নদা লাই হিংচাবী তাদাকা শাখিবা অঙ্কিতনা মৈবুল হৌনা চাকহন্নবা মাগী মচিন্দগী কেরোসিন কাপথোকপা হৌরকখিবদা ঙসি অয়ুক মৈ চাকপগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক্কী মফি–মরোনশিং অদুদা মৈ ৱাইরকখি অমসুং সেকেন খরগী মনূংদা অঙ্কিত মশাপূম্বা মৈ চাক্লকখি।

ষ্টেজ অদুগী মনাক্তা ফল্লিবা মীয়ান্না খুদক্তা চংশিল্লক্তুনা মহাকপু কনখি অমসুং মৈ মুখৎখি। অদুবু অঙ্কিত মশাদা চাদা ৬০ হান্না মৈ চাকখ্রে। মহাক্কী ফিভম লূশিল্লকপদগী মহাক হোস্পিটালদা পুখৎখরে অমসুং হেন্না থাক ৱাংবা লায়েঙ চত্থনবগীদমক কোন্না মহাকপু মীরুততা রিফর তৌখ্রে।

## কেমিকেল য়ুনিটতা পোকখায়খ্রে

***অমৃতশর, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

অমৃতশরগী টর্ন টারন রোদতা লৈবা পেন্ট মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট অমদা ঙসি পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

পোকখায়বা অদুদা মী শিবা নৎত্রগা শোকপগী থৌদোক থোকখিদে। অদুবু থংনবদা লৈবা বিল্ডিংশিংদি চেকখাইখি হায়না পুলিসনা হায়খি।

পুলিসনা ফোঙদোকপদা পেন্ট মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট অদুদা কেমিকেলশিং হাপ্পা কন্টেনর অমদা পোকখায়রকখিবনি। মদু করিনা পোকখায়রকখিবনো খঙননবা থিজিনবা হৌখ্রে। মফম অদুদা ফোরেন্সিক টিম অমা লাক্লে হায়খি।

ফয়ার ফাইটরনা পোকখায়বদগী মৈ চাক্লকখিবদু মুখৎখ্রে হায়রি।

## মী ৫০ পুবা হি লূপখ্রে

***মিদনাপুর, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোংপোক মেদিনিপুরদা দানিপুর অমসুং ময়াচালগী মরক্তা ঙসি অঙনবদা রুপানারায়ন তুরেনদা মী ৫০রোম পুবা হি অমা লূপখ্রে।

তুরেল অদুগী অকনবা ঈশিং ঈরৈনা মরম ওইদুনা হি অদু ঙসি অয়ুক পূং ৯.৫০রোম তাবদা লূপখিবনি। পুলিসনা পাউ অদু হেক ফংবদা থিবা হুম্বা চত্থখ্রে। পেসেঞ্জর ১৫ রেস্ক্যু তৌখ্রে অমসুং মখোয়বু হাওরাদা লৈবা শ্যামপুর হোস্পিটালদা থাখ্রে। থিবা খঙদ্রিবা পেসেঞ্জরশিং অদু ফংনবা হোৎনরি হায়রি।

## ব্রহমোস সুপরসোনিক মিসাইলগী লেন্দ–এটেক ভর্জন চাংয়েংখ্রে

***বালাশোর, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

ব্রহমোস সুপরসোনিক মিসাইলগী লেন্দ–এটেক ভর্জন অমা ওরিষ্যাগী বালাশোর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চান্দিপুর তোর্ব্বানদগী মায় পাক্লা চাংয়েঙখ্রে।

চাংয়েঙ অদুনা ফ্লাইট পেরামিটর পূন্নমক ফংবা ঙমখি হায়না দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)গী লিখুল অমনা হায়খি।

কিলোমিটর ২৯০ লাপ্পা ফাওবদা এটেক তৌবা ঙম্বা মিসাইল অসি কংফালদগী অমসুং সমুদ্রদা লৈবা প্লেটফোর্মশিংদগী কাপ্পা ঙম্মি।


কিলোমিটর ৪৫০ লাপ্পা ফাওবদা এটেক তৌবা ঙম্বা মিসাইল অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লবা অহানবা ভর্জন অদু মার্চ ১১, ২০১৭তা মায় পাক্লা অহানবা চাংয়েঙ পাংথোকখিবনি।

ব্রমোস হায়রিবসি দি আর দিও অমসুং রসিয়াগী এন পি ও এমগী জোইন্ট ভেঞ্চর অমনি।

## আই এন এক্স মেদিয়া কেসতা চিদম্বরম বেল পীবা য়াদে, শাখিশিংদা শাফু পীখিবা য়াই ঃ দিল্লি হায় কোর্ট

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

আই এন এক্স মেদিয়া কেসতা সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসননা ৱাহং –পাউহং চত্থবা লোয়রবা তুংদা হৌখিবা থাদগী হৌনা দিল্লিগী টিহার জেলদা থমখ্রবা হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা শাখিশিংদা শাফু পীখিবা ঙম্মি হায়রদুনা দিল্লি হায় কোর্টনা ঙসি মহাকপু বেল পীখিদ্রে।



পি চিদম্বরমনা মহাক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরানশিং শাথিবা নৎতে অমসুং চহী ৭ খক্তগী চৈরাক পীবা মখলগী কেসনি হায়না মরৈ য়েংখি। আগষ্ট থাদা কেস অসিদা মহাকপু ফাখিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না মরান অদুগী অরুবা অসি পীরিবা চৈরাক অদুগা করিসু মরী লৈনগদবা লৈতে হায়বা ৱাফম থমখি। চৈরাক্কী চাং হায়বা অদুদি তৌরিবা মরান অদুনা খূন্নাইদা শেনমিৎলোনদা শেন–থুমগী তংদু–লৈতাবা অমসুং লৈবাক্কী অপূনবগী ফিভমদা পীবা শাফু অদুনা লেপকদবনি হায়খি।

হায় কোর্ট অসিনা পীখিবা মখোয়গী ওর্দরদা ইভিদেন্স মাঙহনবগী থৌদোক লৈতবা য়াই অদুবু কেস অসিদা শাখিশিংবু মিষ্টর চিদম্বরমনা শাফু পীখিবগী ওইথোক্লিঙাই অমা লৈ হায়খি।

২০১৭দা পি চিদম্বরমনা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা ফার্ম অদুদা য়াম্লবা ফোরেন ফন্দস থাদনবা শীনখি। এজেন্সি অসিনা হীরম অদুদা ফার্ম অদুগী য়াম্লবা শেনফম অমা মহাক্কী মচানুপা কারতি চিদম্বরমনা ফংখি হায়বগী মরান শীখি।

আই এন এক্স মেদিয়া অসি ইন্দ্রানি মুকেরজিয়াগী মচানুপী শীনা বোরা হাৎখিবগী কেস অমদা হৌজিক জেলদা লৈরিবা পীটর অমসুং ইন্দ্রানি মুকেরজিয়ানা কো –ফাউন্দরশিং ওইবনি।

জেলদা লৈরিবা ইন্দ্রানি মুকেরজিয়ানা কেস অসিদা চিদম্বরমশিংগী মায়োক্তা এপ্রুভর ওল্লকখি অমসুং ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সিশিংনা মহাক্কী ৱারোলদা য়ুমফম ওইরগা মখোয়গী কেস অসি শাগৎখি।

মহাক্কী কেবিনেটতা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা মিষ্টর চিদম্বরমসু য়াওখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা অপূনবা ৱারেপ অমগীদমক করন্না মহাক্না দায়ত্ব ওইগদৌরিবনো হংখি। গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরি ৬ য়াওনা ওফিসার ১২ রোম ফোরেন ফন্দগী ৱাফম অদু একজামিন তৌখি অমসুং রিকমেন্দ তৌখি। য়েংনবা লৈতনা তৌরকখিবা রিকমেন্দসন অদু মিষ্টর চিদম্বরমনা অয়াবা পীখিবনি হায়না মনমোহন সিংহনা হায়খি।

রিকোমেন্দসন অমা অয়াবা পীবগীদমক মিনিষ্টর অদুবু মরান শীদুনা দায়ত্ব ওইনবা তারবদি গভর্ণমেন্টকী সিষ্টেম অপূম্বা কাইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

## বিহারদা হেস্পিটাল খ্বাং য়ৌনা থুমখ্রে, দিপুটি সি এম অমসুং অতৈ মীওই চা কয়া দি আর এফনা রেস্ক্যু তৌখ্রে, য়ু পিদা জেল থুমখ্রে, ফাদোকশিং মফম হোংদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা হৌখিবা নুমিৎ ৫নি অকনবা মওংদা নোং চুথরকখিবদগী উত্তর প্রদেশকী বাল্লিয়া জেল ঈশিংনা থুমখ্রে।



পাতনাদা লৈবা ময়ুম থুমখিবদগী দিপুটি চীফ মিনিষ্টর সুশিল মোদি অমসুং মহাক্কী ইমূং–মনূং অতোপ্পা মীওই চা কয়াগা লোয়ননা নেসনেল অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সশিংগী পার্সোন্নেলনা রেস্ক্যু তৌরকখ্রে। চহী ২০গী মনূংদা সিটি অসিদা খ্বাইদগী হেন্না কন্না নোং চুখরকখিবনি।

বিহারদা মী মিল্লিয়ন ২ রোম লৈবা ষ্টেটকী কোনূং সিটি থুমখ্রে। ষ্টেট অসিদা পূন্না নোং চুবগা মরীলৈনবা থৌদোকশিংনা মীওই ২৭ শিখ্রে।

পাতনাদা প্রাইভেট হোস্পিটালশিং, মেদিকেল ষ্টোরশিং অমসুং অতৈ দুকানশিং ঈশিংনা খ্বাং য়ৌনা থুমখ্রে। একর ১০০ পাকচাওবা অমসুং পাতনাদা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা মেদিকেল ফেসিলিটি ওইরিবা নলন্দা মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালসু ঈশিংনা থুমখ্রে।

মরম অদুদগী ডোক্টরশিং অমসুং পেরামেদিকেল ষ্টাফনা খুউ য়ৌনা লূরবা ঈশিংদা মখোয়গী মথৌ পাংথোকপা তাখি। সিটি অসিদা এন দি আর এফকী হি ৩০ হেন্না, টিম ১৯না অৱা–তেংবাংগী থবক পায়খৎখ্রে।

অমরোমদা হৌখিবা নুমিৎ ৫নিদা নোং কন্না চুরকখিবদগী উত্তর প্রদেশতা মীওই ৮৭ শিখ্রে। ষ্টেট অসিগী বাল্লিয়া দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বাল্লিয়া জেল ঈশিংনা থুমখিবদগী নুপী ৪৫ য়াওনা বন্দি ৫০০ অজামগর অমসুং অম্বেটকরনগর জেলশিংদা পুথোক্লকখ্রে।

# চিনা লিংখৎখিবগী চহী ৭০শুব থৌরমগী ঙসি মিলিটরি পেরেদতা লৈবাকসিগী শক্তি উৎকদৌরি

***বৈজিং, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

পিপল’স রিপব্লিক ওফ চিনাগী চহী ৭০গী ঈতিহাসতা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগী লিদরসিপ মখাদা লৈবাকসিগী মাঙজিন থাবশিংবু উৎনবা পান্দমদা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা হয়েঙ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি পেরেদ অমা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে।



সোভিয়েট য়ুনিয়নদগী হৌজিক হেন্না শাংথনা লৈরকপা ঙমখ্রবা মরমনা পিপলস রিপব্লিক ওফ চিনা লিংখৎখিবগী ৭০শুবা চহীগী থৌরম অসি পার্টি অসিনা মরুওইবা অমা ওইনা অখন্ননা পাংথোকপা পাল্লি। অদুবু মসি পার্টিগী লিদরসিপতা অকনবা শাফু পীথরকপা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লল্লোন–ইতিক্কী লান চত্থরিবা অমসুং হোং কোংদা দেমোক্রেটিক ফ্রীদমশিং তানবা প্রোটেষ্টরশিংগী ঈরাং লৈবা মতম থোক্লি।

চিনাগা অমেরিকাগা লৈনবা মরী হেন্না ফৎচিল্লকখিদবা অমসুং ইন্টরনেসনেল আর্মস কন্ট্রোল ট্রিটিশিংদা ৱাহং হংনরকখ্রবা মতম তাঙ্কক অমদা পেরেদ অসিনা চাইনিজ মিলিটরিগী তৌবা–ঙম্বা শক্তি অদু উৎকদৌরি।

পেরেদ অসিদা মমাঙদা অমুক্তা উৎখিদ্রিবা কনভেস্নেল অমসুং ন্যুক্লিয়ার বাল্লিষ্টিক কেপাবিলিটিশিং উৎকদৌরি।

য়ান্না থাক ৱাংনা থুবা অমসুং হায়পরসোনিক ৱিপন সিষ্টমস ফাওবা উৎতুনা হিরম খরদা গ্লোবেল ইনোভেসনদা চিনানা মাঙজিন থারে হায়বদু উৎকদৌরি।

হয়েঙগী মিলিটরি পেরেদ অসিদা ফলাংসেস ৫৯, লান্মী ১৫,০০০, এয়ারক্রাফ ১৬০, অমসুং ৱিপনরি অমসুং ইকুপমেন্টকী অতৈ মচাক ৫৮০ উৎকনি হায়না মিলিটরি পেরেদ ওফিসকী দিপুটি দাইরেক্টর মেজর জেনরেল কাই ঝিজুননা হায়খি। পেরেদ অসিদা মীচম ৩,০০,০০০ রোম শরুক য়াগনি।

পেরেদ অসিদা ঐখোয়না উরবা য়ারিবা খূৎলাই খরদি দি এফ –৪১ ইন্টরকন্টিনেন্টেল বাল্লিষ্টিক মিসাইল, দি এফ –১৭ হায়পরসোনিক বাল্লিষ্টিক মিসাইল, দি আর –৮ অনমেন এরিয়েল ভেহিকল অমসুং সার্প স্বোর্দ ষ্টেল্‌ঠ এটেক দ্রোন, জে –২০ ষ্টেল্‌ঠ ফাইটর জেটশিং, ঐচ –৬এম কৌবা অনৌবা লোং–রেঞ্জ ষ্ট্রেটেজিক বোম্বর অমসুং লৈবাক অসিগী লাইটৱেঠ টাইপ ১৫ টেঙ্কশিং অসিনচিংবনি।

হৌখিবা চহী ৬০ হেনবদা মালেমনা চিনাগী আর্ম ফোর্সশিংনা মালেমদা তৌখিবা থবকশিং উখ্রে। ঐখোয় হেন্না কল্লক্লিবা মখে মালেমগী শান্তিদা ঐখোয়না অমুক্কা হেন্না থবক তৌবা ঙম্মি হায়না মিলিটরি পেরেদ ওফিসকী মেজর জেনরে ঝিজুননা হায়খি।

মিলিটরি পেরদ অসিদা হয়েঙ উৎপদা য়াওগদৌরিবা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বল্লিষ্টিক মিসাইল দি এফ–৪১ অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থানিংবা মফমদা থাবা ঙম্বা মাইল ৭৫০০ রোমগী রেঞ্জ অমা লৈবা থ্রি–ষ্টেজ, সোলিদ–ফুয়েল মিসাইল অমনি।

দি এফ হায়বদি দোংফেং হায়বগী অশম্বীনি। মসিগী ৱাহন্থোক্লা ইষ্ট ৱিন্দ হায়বনি। মসিনা মশা মতোমতনা তার্গেট তৌবা ঙম্বা ন্যুক্লিয়ার ৱারহেদ ১০ পুবা ঙম্মি।

দি এফ –১৭ হায়পরসোনিক বল্লিষ্টিক মিসাইল হায়রিবা অসি হায়পরসোনিক গ্লাইদেদ ভেহিকল নৎত্রগা ঐচ জি ভি অমা কাপ্পা ঙম্বা সোর্ত –টু মেদিয়ম রেঞ্জ মিসাইল অমনি। মসি অচৌবা অহানবা অমনি।

অসিগুম্বা সিষ্টেম অমা থোক্লকপনা হীরম অসিদদি রসিয়ানশিং অমসুং অমেরিকানশিংদগী চিনানা মাঙজিন থাবা অদু উৎলে হায়না ফাউন্দেসন ফোর দ লা রিছার্সেস ষ্ট্রেটেজিক, ফ্রান্সকী এন্টোইনি বোন্দাজ অমসুং ফানে দেলোরিনা হায়রি।

মিসাইল অসিনা খোঙজেলগী অয়াঙবদগী য়ান্না হেন্না য়াঙনা পাইবা ঙম্মি অমসুং য়ু এস মিসাইল সিল্ডশিং ফাওদুনা চংশিনবা ঙম্মি অমসুং মদুদগী হেন্দোক্তুনা পাইরিঙৈগী মনূংদা মখোয়গী টার্গেটশিং হোংদোকপা ঙম্নবা মেনুভরেবল রিইন্ট্রি ভেহিকল অমসু য়াওরি।

দি এফ –১৭ অসিনা ন্যুক্লিয়ার অমসুং কনভেন্সনেল পেলোদশিং অনীমক পুবা ঙম্মি হায়না সাউথ চিনা মোর্নিং পোষ্টকী লিখুল অমনা ফোঙদোক্লি।

মথংদা দি আর এফ –৮ অনমেন এরিয়েল ভেহিকল অসিসু অমেরিকাগী গুৱাম টেরিটোরিগুম্বা নোচুপ থংবা পেসিফিক ফাওবা য়ৌবা ঙম্বা দ্রোন অমনি। মসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না শাথিরবা অমনা সার্প স্বোর্দ হায়রিবা এটেক দ্রোন অদুনি। মসিদি চুন্নগী য়ু এ ভি অমা নৎতে। য়ু সি এ ভি হায়বদি অনমেন কম্বেট এয়ার ভেহিকল অমনি। মসিনা মিসাইলশিং অমসুং লেজর–গাইদেদ বোমশিং পুবা ঙম্মি।

পনবা য়াবা অমনা হয়েঙগী মিলিটরি পেরেদ অসিদা উৎকদৌরিবা জে–২০ ষ্টেল্‌ঠ ফাইটর জেটশিং অসিনি। করিগুম্বা অসিগুম্বা ফাইটর জেট ৭না মতম অমত্তদা চপ মান্ননা লানফম অমদা য়াওরবদি মখোয়না মসিগী নোংথক্তগী নোংথক্তা অমসুং নোংথক্তগী লৈখাদা কাপথবা ঙম্বা খূৎলাইশিং অদুগা লোয়ননা শীংথানিঙাই ওইনা লাম্থেংনবগী মপাঙ্গল কনখৎহনগনি হায়রি।

## চিনা ফেক্টরি মৈ চাকপদা মীওই ১৯ শিখ্রে

***বৈজিং, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

নোংপোক থংবা চিনাগী ঝেজিয়াং প্রোভিন্সকী নিংহাই কাউন্টিদা লৈবা ফেক্টরি অমদা ঙরাং নোংমাইজিং নুমিৎতা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৯ শিখ্রে হায়না মফমদুগী ওথোরিটিজনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু রুইকি দেল্লি নেসিসিটিজ কম্পেনিনা মপু ওইবা ফেসিলিটি অমদা থোকপনি। মৈ চাকপা অদুদগী কনখিবা মীওই ৮গী মনূংদগী অশোকপা মীওই ৩ লায়েঙনবা হোস্পিটালদা থাখ্রে হায়না নিংহাই ওথোরিটিজনা হায়খি।

লৈবাকসিগী লিংখৎখিবা চহী ৭০শুবা চহীগী থৌরম পাংথোক্কদবগী মাঙওইননা লৈবাকসিদা মীশি–মীনা থোকপা থৌদোকশিং থোক্লি। মৈ চাকপা থৌদোক অসিগী মমাঙগী নুমিৎ থাংজ নুমিৎতসু পেসেঞ্জর থন্না পুরকপা বস অমগা ট্রক অমগা নোংপোক থংবা জিয়াংসু প্রোভিন্সতা থেঙ্গাইনবদা মীওই ৩৬সু শিখ্রবনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অসিমক্তদা হৌখিবা মার্চ থাদা কেমিকেল প্লান্ট অমদা পোকখাইবদা মীওই ৭৮শিখি অমসুং মীওই চা কয়া শোকখি।

মদুগী থা ৪গী মতূংদা জুলাইদা ময়াই থংবা চিনাদা লৈবা গ্যাস প্লান্ট অমদা অচৌবা পোকখায়বদা মীওই ১৫ শিখি।

হৌখিবা নবেম্বর থাদসু ২০২২ ৱিন্টর ওলিম্পিক্স য়ুম্বু ওইগদৌরিবা অৱাং থংবা চিনাগী সিটি ঝাংজিয়াকৌদা কেমিকেল ফেক্টরি অমগী চংফমদা মৈ চাক্কনবা কেমিকেলশিং পুরকপা ট্রক অমা পোকখায়বদা মীওই ২৩ শিখি অমসুং ২২ শোকখি।

## সাউদি ফাইটর ৫০০ শোকহনখ্রে, নৎত্রগা হাৎখ্রে হায়না য়েমেনগী হৌথি রিবেলশিংনা ফোঙদোকখ্রে

***কাইরো, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

সাউদি ওফিসারশিং য়াওনা ফারবা ট্রুপ চা কয়া অমসুং থুগাইরবা সাউদি মিলিটরি গাড়ীশিংনি হায়বা উৎপা ফুটেজ অমা থাদোক্তুনা য়েমেনগী রিবেলশিংনা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংগী মথক্তা লৈবাক অনীগী ঙমখৈ মনাক্তা অচৌবা এটেক চত্থখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা মখোয়না কোলিসনগী লান্মীশিং হাৎখ্রে নৎত্রগা শোকহনখ্রে হায়খি।

মখোয়গী ৱাফম অসিদা সাউদিনা লূচিংবা কোলিসননা হৌজিক ফাওবদা পাউখুম পীদ্রি। করিগুম্বা চুম্বা তারবদি এটেক অসি মিদ্দল ইষ্টকী খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাক অসিবু লাকহৎলিবা চহী ৫রোমগী সিভিল ৱার অসিদা হৌথিজ হায়না খঙনবা ইরানগা খৎশন্নবা রিবেলশিংগীদমক খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা মায় পাকপশিংগী মনূংদা অমা ওইরে।

হৌথিনা মপু ওইবা অল–মসিরহ টেলিভিজন নেটৱার্কনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা ফুটেজদা খুদোঙচাখিদ্রবা লম্মিৎ–তুম্মিৎতা ফারকপনি হায়বা খোঙনা পরেং শাংনা চৎলিবা লান্মীশিং উখি।

## এয়ার চীফ মার্সেল ভদাওরিয়ানা অনৌবা আই এ এফ চীফ ওইনা থবক পুবা হৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০(এজেন্সি)ঃ***

এয়ার চীফ মার্সেল রাকেশ কুমার সিংহ ভদাওরিয়ানা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী ২৬শুবা চীফ ওইনা থবক পুবা হৌখ্রে।



আই এ এফতা চহী ৪১ থবক তৌরকখ্রবা তূংদা থবক্তগী পোত্থাখিবা এয়ার চীফ মার্সেল বি এস ধানোৱাগী মহুৎ মহাক্না শিল্লগনি। এয়ার মার্সেল ভাদাওরিয়া জুন ১৯৮০দা ইন্দিয়া এয়ার ফোর্সকী ফাইটর ষ্ট্রিমদা কমিসন তৌরকখি অমসুং মহাক্না তোঙান তোঙানবা কম্মান্দ অমসুং ফম কয়ামরুম পায়রকখ্রে।

নেসনেল দিফেন্স একাদেমিদগী হৌরকখিবা ভাদাওরিয়ানা ট্রান্সপোর্ট এয়ারক্রাফ অমসুং ফাইটরগী তায়প ২৬দা পূং ৪২৫০গী পাইবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরকখ্রে।

মহাক রাফেল জেট অমা পাইবা এয়ার ফোর্স পাইলোট খরখক্কী মনূংদগী অমনি। ইন্দিয়া অমসুং ফ্রান্সকী এয়ার ফোর্সশিংগী মরক্তা জুলাই থাদা পাংথোকখিবা এক্সরসাইজ গরুরদা ভদাওরিয়ানা রাফেল ফাইটর জেট অদু পাইখি।

মহাক মোস্কোদা ইন্দিয়ান এম্বেসিদা এয়ার এটেচি, এসিষ্টেন্ট চীফ ওফ দ এয়ার ষ্টাফ (প্রোজেক্স), নেসনেল দিফেন্স একাদেমিগী কম্মান্দেন্ট, এয়ার হেদক্কাটরদা দিপুটি চীফ ওফদি এয়ার ষ্টাফ অমসুং সাউদর্ন এয়ার কম্মান্দকী এয়ার ওফিসার কম্মান্দিং–ইন–চীফ ওইরকখ্রে।

**সনা–সুদোকু – ২৫৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 1 | 7 | 4 | 5 | 3 | 8 | 9 |
| 5 | 4 | 9 | 3 | 8 | 6 | 1 | 7 | 2 |
| 8 | 3 | 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 4 |
| 6 | 7 | 8 | 1 | 5 | 4 | 9 | 2 | 3 |
| 3 | 9 | 2 | 6 | 7 | 8 | 4 | 1 | 5 |
| 4 | 1 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 | 6 | 8 |
| 1 | 8 | 3 | 4 | 2 | 7 | 5 | 9 | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 8 | 9 | 3 | 2 | 4 | 1 |
| 9 | 2 | 4 | 5 | 6 | 1 | 8 | 3 | 7 |

## GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 612, 19kg Available
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Khumbong Indane**
Booking : 21/08/19
Valid : 19/08/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 28/09/19
Valid : Nill
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 27/09/19
Valid : 30/08/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 25/08/19
Valid : 23/08/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 07/09/19
Valid : 28/08/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-256**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 3 | | | 5 | | 2 | 1 |
| 9 | | 1 | | 8 | | 5 | | |
| | | 2 | 7 | | | | 9 | 8 |
| | 9 | | | 2 | | 7 | 8 | |
| 2 | 4 | | 3 | | | | | 9 |
| 1 | | 8 | 9 | | | | 5 | |
| 8 | 7 | | 5 | | | | | 2 |
| | | | | 7 | 9 | | | 5 |
| | 1 | | | | 2 | 9 | | |